# ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল য়ৌরকপদা # ৩

**—লৈশাংথেম অজিৎ—**

**কুমজা ১৯৩০**দগী খা অমেরিকাগী উরুগ্বেদা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ চহী মরি-মরি লৈরগা মালেমগী সহর হোং-হোংদুনা পাঙথোক্তুনা লাকপনা চহী অসিগী ওইনদি রসিয়ানা যূম্বু ওইদুনা মালেমগী খনগৎলবা লৈবাক ৩২না জুন ১৪দগী জুলাই ১৫ ফাওবা মশান্না অসিদা লম্বা তৌনগদৌরি। চেম্পিয়নশিপ অসি কুমজা ১৯৪২ অমসুং ১৯৪৬তা পাঙথোক্কদবদা অনীশুবা লাঞ্জাওনা মরম ওইদুনা পাঙথোকখিদে। চেম্পিয়ন ওইবা টিমদা 'জুলেস রিমেট' কৌবা কিলোগ্রাম ৮.১ লুম্বা সেন্টিমিটর ৩২ ৱাংবা সনানা শাবা ত্রোফি অমা পীরম্মী। ত্রোফি অদু 'ভিক্টরি ওফ গোদেশ' মায় পাকপগী লাইরেম্বীগী শক্তমনি। মতম অসিদা ফেদরেসন ইন্টরনেসনল দি ফুটবোল এসোসিএসন (ফিফা) হায়না খঙনবা মালেমগী ফুটবোল শান্নবগী মপূ ওইরিবা লূপ অসিগী সেক্রেটরিগী জুলেস রিমেটকী মমীংদা ত্রোফি অসিগী মমীংসু থোনখি। ব্রাজিলনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল চেম্পিয়ন অহুম্লক ওইবা ঙখিবা মরম্না জুলেস রিমেট ত্রোফি অসিগী মপূ ব্রাজিলনা ওইখি। লৈবাক অসিনা কুমজা ১৯৫৮-দা স্বিদেন্দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেলদা যূম্বু ওইরিবা স্বিদেনবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখি। মসি লৈবাক অসিনা অহানবা ওইনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল চেম্পিয়ন ওইখিবা চহীনি। মথং তারকপদা চহী মরি লৈরগা চিলিদা কুমজা ১৯৬২দা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল ফাইনেলদা জেকোস্লোভাকিয়াবু মায়থীবা পীখিবা অমদি কুমজা ১৯৭০দা মেক্সিকোদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলদা ইটালিবু ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা অহুম্লকশুবা ওইনা মায় পাক্তুনা জুলেস রিমেট কপ লৈবাক অসিনা মতম পূম্বগী ওইনা মপূ ওইখি। মরম অদুনা কুমজা ১৯৭৪গী ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতগী অনৌবা ত্রোফি অমা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন্দা পীখি। মমিংদি ফিফা ৱর্ল্ড কপ হায়না খঙনদুনা ঙসি ফাওবা ৱর্ল্ড কপ অসিবু মপূং ওইনবা অকনবা লৈবাকশিংনা হোৎনরি।

রসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা কন্টিনেন্ট তরুক্তগী খ্বাইদগী ফবা লৈবাক ৩২ খনগৎলগা মখোয়বু অথোই অহেন তান্নহনবগী থৌরমশিং মোস্কো অমসুং রসিয়াগী সহর ১১দা পাঙথোক্কনি। ফিফাগী মখাদা লৈবাক ২১০ লৈ। লৈবাকশিংসি ফেদরেসন অসিদা এফিলিয়েট তৌদুনা কুমজা ২০১৮-দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল ফাইনেল ষ্টেজগী টিম ৩২ খনগৎপা অসিদা য়াওবা ঙম্নবা কুমজা ২০১৫গী মার্চ ১২দগী হৌনা পাঙথোকখিবা ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টতা শরুক য়াই। মদুদা টিমোর লেষ্টে অমসুং মোঙ্গোলিয়াগা অহানবা মেচ ওইনা টিমোর লেষ্টেগী দিলি (DILI) কৌবা সহরদা শান্নখি। টিমোর লেষ্টেনা পাঞ্জল ৪-১দা থোইখি। ফিফাগী মখাদা ফুটবোল কনফিদরেসন তরুক লৈ। মখোয় অসি মহাদেশ (কন্টিনেন্ট) গী মতুং ইন্না শেম্বনি। মখোয় অদুদি এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন (এ এফ সী), কনফিদরেসন ওফ অফ্রিকান ফুটবোল (সী এ এফ), কনফিদরেসন ওফ নোর্থ সেন্ত্রেল অমেরিকা এন্দ কেরিবিয়ান এসোসিএসন ফুটবোল (সী ও এন সী এ সী এ এফ), সাউথ অমেরিকা ফুটবোল কনফিদরেসন (সী ও এন এম ঈ বি ও এল), ওসিনিয়া ফুটবোল কনফিদরেসন (ও এফ সী), য়ুনিয়ন ওফ য়ুরোপিয়ান ফুটবোল এসোসিএসন (য়ু ঈ এফ এ) নি। কনফিদরেসনশিং অসিগী ফুটবোলদা হৈনীংবগী চাং মতুং ইন্না ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়াবগী টিম মশীংসু লেপ্পী। হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ অসিগী ওইনদি এসিয়াগী কনফিদরেসন্দগী টিম মঙা (ওষ্ট্রেলিয়া, ইরান, জপান, সাউদি অরাবিয়া অমসুং খা কোরিয়া) নি। ওষ্ট্রেলিয়া অসি ওসিনিয়া ফুটবোল কনফিদরেসনগী মনুং চনবা লৈবাকনি। অদুবু লৈবাক অসিনা হায়জবদগী এসিয়াগী কাঙলুপ্তা য়াওহনখিবনি। অতৈদি অফ্রিকাদগী লৈবাক ৫, অৱাং অমসুং ময়ায় থংবা অমেরিকাদগী লৈবাক ৩, খা অমেরিকাদগী লৈবাক ৫, য়ুরোপ্তগী লৈবাক ১৪ অমসুং ওসিনিয়া (ন্যুজিলেন্দ অমদি অতৈ ঈথৎশিং) দগী টিম অমা ফাওবা ক্বালিফাই ওইবা ঙমদে, অপূনবদি ৩২নি। খনগৎলবা লৈবাক ৩২ অসিগী মনুংদা ২০ অমদি কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ ফাইনেল ষ্টেজদা শরুক য়াখি। আইসলেন্দ অমসুং পানামা অহানবা ওইনা ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলগী তাঙ্কক য়ৌবা টিমশিংনি। হন্দক শরুক য়ারিবা টিমশিংগী মনুংদা ইজিপ চহী ২৮গী মতুংদা ফাইনেল ষ্টেজদা অমুক হল্লকখি, লৈবাক অসি কুমজা ১৯৯০গী ৱর্ল্ড কপকী মতুংদা শরুক য়াবা ঙমলক্ত্রিবা টিমনি। পেরু কুমজা ১৯৮২গী মতুংদা চহী ৩৬কী মতুংদা অহানবা ওইনা অমুক ক্বালিফাই ওইবা টিমনি। অরবকী লৈবাক মরি অমুক্তদা শরুক য়াবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মদুদি ইজিপ, মোরোকো, সাওদি অরাবিয়া অমসুং টুনিসিয়া মসিগা লোয়ননা নোর্দিক্কী লৈবাক দেনমার্ক, আইসলেন্দ অমসুং স্বিদেন পূন্না শরুক য়াবা ফংবসু অহানবনি।



'জুলেস রিমেট' কিলোগ্রাম ৮.১ লুম্বা সেন্টিমিটর ৩২ ৱাংবা সনানা শাবা ত্রোফি

অমরোমদা, ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল চেম্পিয়ন মরিরক ওইখ্রবা ইটালি, ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলগী রন্নর্স-অপ হায়বদি অনীশুবা পোজিসন অহুম্লক ফংখ্রবা নেদরলেন্দস হন্দক্কী রসিয়াগী খোঙচৎ অসিদা ক্বালিফাই ওইবা ঙমদে। ৱর্ল্ড কপকী পুৱারীদা অহানবা ওইনা যূম্বু ওইরিবা রসিয়া নত্তনা ফিফাগী মেম্বর খুদিংমক ফিফাগী মেম্বর ওইরিবা লৈবাক খুদিংমক ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা (মকোক্তগী হৌনা) শান্নহল্লি। হৌখিবা ৱর্ল্ড কপশিংদদি হৌখিবা এদিসন্দা চেম্পিয়ন ওইখিবা টিম অদু ক্বালিফাইয়িং শান্নবদা য়াওহল্লমদে। কুমজা ২০১৮ অমসুং ২০২২দা পাঙথোক্কদবা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী যূম্বু ওইজগে হায়দুনা লৈবাকশিং ফিফাদা চে থান্নরকখি। মদুদা কুমজা ২০১৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ অসিগীদমক লৈবাক মাপন্না চে থারকপদা মেক্সিকো ৱিদ্রো তৌখি, মশানা তোকচখি। ইন্দোনেসিয়ানা থারকপা চে অদু লৈবাক অদুগী লৈঙাক্না লৈবাক অদুদা ৱর্ল্ড কপ পাঙথোকপা য়াবগী অইবা চে য়াওরক্তবদগী লৌথোকখি। ওষ্ট্রেলিয়া, জপান অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেট মথং মথং ৱিদ্রো তৌজখি। লেমহৌরিবদি ইংলেন্দ, রসিয়া, নেদরলেন্দ অমসুং বেলজিয়ম (পূন্না তৌমিন্নবা) অমদি পোর্টুগেল অমসুং স্পেন (পূন্না তৌমিন্নবা), কেন্দিদেট মরিনি। মখোয়গী মরক্তগী রসিয়ানা ভোট খ্বাইদগী ফংদুনা ৱর্ল্ড ফুটবোল কপ ২০১৮গী যূম্বু ওইখি। ফিফাগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বর ২২ লৈরিবা অদুনা ভোট থাদরগা কুমজা ২০১০গী দিসেম্বর ২দা রসিয়াবু ৱর্ল্ড কপকী যূম্বু ওইনবা হেক খনখিবগা ফিফাগী মেম্বর খরনা রসিয়াদা পৈশা পীজরে, করপসন তৌরে হায়না মরাল শিখি। মদুদা মাঙজিল থানা মরাল শিরিবদি ইংলিস ফুটবোল এসোসিএসন্ননি। ইংলিসশিংনা হায়রিবদি এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বর মরিনা ইংলিস ফুটবোল এসোসিএসন্দা শেল পীয়ু হায়রম্মী হায়বা অসিনি। রসিয়ানা মায় পাক্কনি হায়বা অসি হান্না ভোট থাদদ্রিঙৈদা খঙলে হায়খি।


ভোটতা শেল চাবগী থিগৎপদা রেয়নাল্ড টেমরি অমসুং অমোস অদাসু কৌবা ফিফাগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর অনী অসি ৱর্ল্ড কপকী হোষ্ট ওইনবা ভোট থাদবদা শেল চাবগী চহী খরা অথিংবা থমখ্রে। তেমরিনা সুইস ফ্রান্স ৫,০০০ অমদি অমোস অদামুনা সুইস ফ্রান্স ১০,০০০ ফাইন তৌখি।

# তরাগী মনুংদা অমদি









'অনীশুবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮'







Drug_testing_2nd_Asia_Pacific

**-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-**

**হুরানবনা** খ্বাইদগী কিবসি পুলিসনি, উচিগীনা হৌদোং, মাগী মাগী নুপী অমদি মৱাদা মীনম্বা (লভ এফ্যের) কাঙবুনা খ্বাইদগী কিবসি মখোয় মখোয়গী নুপী নৎত্রগা মৱাদুনি, অদুগা পোলিটিসিয়নশিংনা খ্বাইদগী কিবনা ভোট কাদবা (শেল চারুবগী, ওইদবা ঙাঙবগী, নুপী অঙাংদা অরানবা চৎলুবগী অসিনচিংবদি মখোয়দি করিসু কিবিদে, মরুওইনা ইরমদম মণিপুর অমদি ইন্দিয়াদদি) অদুগা ষ্টেরোইদস, হোর্মোন্স অমদি চাহৈদবা, থিংলবা পোৎলমশিং অসিবু চাবা, শীজিন্নবা শান্নরোয়শিংগী খ্বাইদগী কিজবনা...?

মীওইবা খুন্নাইনা মাঙদা ফজনা, নীংথিনা, চুম্না চঙশিন্দুনা চাওখৎনবা, ফগৎনবা, পন্থুং য়ৌনবা তোঙান তোঙানবা হীরম খুদিংমক্কী মখোয় মখোয়গী ওইবা চৎন-পথাপ ময়াম অমা শেমদুনা থম্লে। খুদম ওইনা হায়রবদা, ইমুং অমা নীংথিনা, ফজনা, চুম্না, শেংনা থম্নবগীদমক মপূরোইবা অমদি লোয়নবীনা অতোপ্পা নুপীদা নৎত্রগা নুপাদা চৎহৈদবা, অরানবা লম্বী চৎনদে।

অসুম্না শান্ন-খোৎনবগী লমদসু শান্নরোয়শিংনা ফংনীংবা পন্থুং য়ৌবা ঙম্নবা হোৎনবদা মায়কৈ চুম্না, শেংনা, ফজনা অমদি নীংথিনা মাঙদা চঙশিন্নবা অয়াবা-য়াদবা চৎন-কাঙলোন ময়াম লৈরি। অসিগুম্বা চৎন-কাঙলোন অসিবু য়াওদ্রবদি শান্নরোয়শিংদা অমদি মশান্না অদুদা ফত্তবা, অশোয়বা ময়াম অমা লাকই। মসি লাক্তনবনি চৎন-কাঙলোন ময়াম অমা শেমদুনা, থমদুনা শান্নরোয়শিংদা পাউতাক কয়া পীদুনা চৎনহল্লিবা। মসিগী চৎন-কাঙলোনশিং অসিবু চুম্না চৎলিব্রা, ইল্লিব্রা হায়বদু খঙননবা মালেমগী ওইবা শান্নবগী লমদা খ্বাইদগী থাজনা অমদি ৱাংনা, লুনা খন্নরিবা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিনা মীৎয়েং তারি। হোয়, শান্নবা মশান্না খুদিংমকপুদি ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিগী মখাদা লৈতে নৎত্রগা চনদে। অদুম ওইনমক ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিগী মখাদা লৈরিবা চাহৈদবা অমদি থিংলবা পোৎলমশিং শীজিন্নবা থিংনবা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (দব্লিয়ু এ দি এ) না শান্নবা পাঙথোকপগী মমাঙদা নৎত্রগা মতুংদা নৎত্রগা মতম মতমগী ওইনা (পেরিওদিকেল্লি) দ্রগ/দোপিং টেষ্ট তৌনরি।

হুরানবনা পুলিস কিবগুম, শান্নরোয়শিংনা মীহুন চোঙখৈ খ্বাইদগী কিরিবসি ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি দোপিং টেষ্ট হায়বদি শান্নরোয়শিংনা চাহৈদবা ষ্টেরোইদস, হোর্মোন অমদি অতৈ থিংলবা পোৎলমশিং শীজিন্নব্রা হায়না শান্নরোয়শিংদগী য়ুরিন নৎত্রগা ব্লদ সেম্পলশিং লৌখৎতুনা দব্লিয়ু এ দি এগী লেবোরেটরিদা য়েংবদুনি। শীজিন্নদবা ঐখোয়গুম্বা নেচরেল এথলেটতি করিসু কিবিদে মরমদি ইশাসি ক্লিন ওই, পোৎলমশিংদু চাদে খঙজবনিনা। অদুবু থিংলবা পোৎলমশিং অসিবু শীজিন্নবা কাঙবুদদি দোপিং টেষ্ট তৌবসি খ্বাইদগী অকিবশিংগী মনুংদা অমনি। অদুনবু টেষ্ট তৌদ্রিঙৈদা তাঞ্জা ফংলবদি চেন্নরিবনি টেষ্ট তৌবা নাম্থোক্নবা। নৎত্রদি করিগী অসুক মতম চংনা শান্নরগা ৱানা ফংবা অহানবা মনা গোল্ড মেদল অমদি মীংথোলদুবু থাদোক্তুনা, হুন্দোক্তুনা চেনখিগদৌরিবনো।

ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এসোসিএসন্দসু দব্লিয়ু এ দি এগীদমক য়াম্না চাউনা মফম অমা পীরি। হন্দক্তা মে ২৫দগীনা ২৭ ফাওবা সাউথ কোরিয়াগী সিওল সিটিদা পাঙথোকখিবা 'অনীশুবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ' তসু ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সিগী চৎন-কাঙলোনগী মখাদা দোপিং টেষ্ট চথখি। মীপূম খুদিংমকপু দোপিং টেষ্ট তৌবা ঙমদবনিনা (য়াম্না তাঙবনা-মীওই অমদা ইন্দিয়ন পৈশাদা লুপা লিশীং ১৮গী মথক্তা চঙবনা) শান্নরোয় ১০ খনগৎখি দ্রগ চাবা অমদি চাদবগী খেন্নবশিং অসিবু নীংথিনা খঙবা ঙম্বা এক্সপার্টশিংনা (ইশামক য়াওনা)। শান্নরোয় ১০সিগী মতুংদা অমনা ওভরওল গ্রান্দ টাইটল ফংখ্রবা নুপী শান্নরোয়নি অদুগা ৯না নুপা শান্নরোয়নি। খনগৎলবা শান্নরোয় ১০ অসিগী মনুংদা সাউদি অরাবিয়াদগী ওপন/সেনিয়র বোদিবিল্ডিংদা ৱিন্নর ওইখিবা শান্নরোয় অমনি। লেমহৌরিবা ৯দুদি কোরিয়াদগী ঙাক্তনি। কোরিয়াসি শান্নবগী লমদা য়াম্না লুনা খনবা, খুমাঙ য়াম্না চাউশিনবা লম অমা ওইবতা নত্তনা ষ্টেরোইদস, হোর্মোন অমদি চাহৈদবা পোৎলম কয়া অসি শীজিন্নবগী লমদসু য়াম্না খুমাঙ চাউশিনবা লমদম অমনি। মসিগী ইচম চন্বা অরায়বা খুদম হায়ববু শান্নরোয় ১০গী মনুংদা ৯না কোরিয়নগী শান্নরোয় ওইরিবা অসিনা অদুম তাক্লে। মমাঙ চহীগী ২০শুবা ২০১৭ নেচরেল ওলেম্পিয়াদসু মালেমগী ওইবা মফম কয়াদগী লাকখিবা শান্নরোয় দোপিং টেষ্ট তৌবদা ৯না পোজিটিভ ওইনা ফাদুনা মখোয়গী মমিং মথা "Natural bodybuilding Hall of Shame" দা ইদুনা লৈখ্রে। ফাখ্রবা শান্নরোয় ৯সিগী মনুংদা ৩দি এসিয়াগী শান্নরোয়না ওইখি। শান্নরোয় ৩মক কোরিয়নগী শান্নরোয়শিংনি, হায়বদি অতৈ এসিয়াদগী লাকখিবা কনা অমত্তা দোপিং টেষ্টতা পোজিটিভ ওইখিদে হায়বনি। ঐহাক্কী টাইৱানগী শান্নরোয় অমসু দোপিং টেষ্ট তৌবদা য়াওখি। অদুবু মহাক্তি টেষ্ট রিজল্ট নেগেটিভ ওইখি। শান্নরোয় ৩ ফাবদা ৩মক কোরিয়া মতোমতগী ওইখিবনি। মসিনা তশেংনা অমুক তাক্লে মদুদি কোরিয়াদা দ্রগ শীজিন্নবগী চাংসি অদুক্কী মতিক ৱাংই হায়বা, মরুওইনা বোদিল্ডিংগী মশান্নসিদা।

অসিগুম্বা ফত্তবা দ্রগ চাবগী চৎনবী অসিনা মরম ওইদুনা বোদিবিল্ডিং হায়রিবা মশান্না অসি নেসনল গেমস, এসিয়ন গেমস অমদি ৱর্ল্ড গেমস অহুম্মক্তগী লৌথোকখিবনি। চহী ১১/১২গী মমাঙদা বোদিবিল্ডিং মশান্না অসিবু নেচরেল ওইনা শান্নজদুনা নেসনল গেমস, এসিয়ন গেমস অমদি ৱর্ল্ড গেমস য়াওদুনা শেলগী ওইবা মনা-মথুম ফনা ফজনা ফংজরম্বদো ঙসিদি ঐখোয় অমত্তা ফংদ্রে, পুমকাং কাংলে। মসিননি ঐহাক্লসু ষ্টেরোইদস, হোর্মোন অমদি চাহৈদবা পোৎলমশিং অসিবু চাদুনা, শীজিন্নদুনা শান্নবা শান্নরোয়শিংদা ৱারৌখিবগী মরমসু। মখোয়গী অপাম্বা অদুনা অতোপ্পা চুম্না চৎচবা ঐখোয়গী হকপুদি মুনবিখ্রে, মাঙহনখ্রে। মখোয়না অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নদুনা গেমসশিং অসিদা থোক্লুবদা ফাবদগী মসিদি দ্রগ য়াম্না শীজিন্নবা মশান্ননি হায়দুনা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিনা লৌথোকখিবনি বোদিবিল্ডিং হায়রিবা মশান্না অসি। নৎত্রবদি ঐখোয় ঙসিসু গেমসশিং অসিদগী শেল ফনা ফজনা চহী অমা, অনীগী ওইনা লেপ্তুনা ফংলমগদবনি লোয়ননা মীয়াম্না হেন্না ইকায়খুম্নবসু উৎপীরমগদবনি। ষ্টেরোইদস শীজিন্নবা মখোয়না লোইনা মাঙহল্লে।

মাঙদা পঞ্জখিবা শান্নরোয় নুপা ৯গী মনুংদা অমদি মাষ্টর ৬০ প্লস কেটাগোরিদা অহানবা মনা ফংখিবা শান্নরোয় অদু দোপিং টেষ্ট তৌবগী য়ুরিন সেম্পল পীরমদনা তুমিন্না চেনখিবদগী মহাকপু খুদক্তা দিসক্বালিফাই তৌদুনা মহাক্কী টাইটল অদু লৌথোকখি। মমাঙগী ২০১৭কী নেচরেল ওলেম্পিয়াদসু কোরিয়াদগী লাকখিবা মাষ্টরস ৪০ প্লস কাঙলূপ্তা বোদিবিল্ডিংগী শান্নরোয় অমা দোপিং টেষ্টতা পোজিটিভ ওইদুনা মহাক্কী মমিংসু "Hall of Fame" দা হাপখ্রবনি।

মতাংসিদা থমজনীংবা অমনা দ্রগ চাব হায়বসি নহা খক্তা নত্তে হায়বসিনি। চহী ৪০, ৫০, ৬০গী মথক্তা লৈবা শান্নরোয়শিং ফাওবনা অসিগুম্বা চাহৈদবা, শীজিন্নরোইদবা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নরবদি নহারোলশিংদি কমদৌবা। মসিনা তাকপদি মশা ফবগী মশান্না অসিদা অদুক্কী মতিক মশীং য়াম্না পোৎলমশিং অসি শীজিন্নরে হায়না উৎপনি। নেচরেলগী ওইনা হোৎনজদুনা য়াম্না চেকশিন্না দোপিং টেষ্ট তৌরিবা নেচরেলগী চেম্পিয়নশিপ কয়াদা ফাওবা মখোয় শীজিন্নবা ময়াম অমা ফারদি দোপিং টেষ্ট তৌদবা নৎত্রগা মমিংতগী ওইনা শান্নরোয় অমা অনীখক তৌবা টেষ্ট তৌবা অদুগুম্বা চেম্পিয়নশিপশিং অদুদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং, মরুওইনা বোদিবিল্ডিং, ক্লাসিক ফিজিক, মিষ্টর ফিজিক্কী শান্নরোয়শিংদি কমদৌবা। মসিদি ময়াম্না অদুম খঙবীরো। অদুক্কী মতিক ৱাংনা শীজিন্নবনি তৌরিবসি।

মশা ফবগী মীংদি অদুম লৌবা অদুগা মশাদি ফৎত্রবা মশান্না অমা ওইহল্লে বোদিবিল্ডিংসি ষ্টেরোইদস, হোর্মোন্স অমদি চাহৈদবা, থিংলবা পোৎলমশিং শীজিন্নবা মখোয়শিং অসিনা। অৱাবদি, নেচরেল ওইনা শান্নজবা ঐখোয়গী মীংচৎসু মখোয়না থিহনবীরে। অদুবু পূন্নমক অসি শান্নরোয়শিং অসিগী মথক্তা লোইনা মরাল শিবদি লানগনি। অচৌ অচৌবা শেন্দাল লম্বীদা চঙশিল্লিবা অসিগুম্বা চাহৈদবা পোৎলমশিং অসিবু পুথোক্লিবা সপ্লিমেন্ট কম্পেনি কয়া অসিসু মরাল চাউনা লৈ। মখোয়না শান্নরোয়শিংবু নুংশিদুনা পুথোকপা পোৎলমশিং নত্তে। মখোয়গীদি শেল তাল্লগা লোইরে শান্নরোয়শিং মশা শোক্কেরা, শিগেরা মখোয় করিসু নাচুংবিদে। মসি নৌরিবা শান্নরোয় কয়ানদি খঙদে। খঙলবসু ময়ামসু অদুম চানৈ হায়দুনা অদুম মতুং ইল্লি। ঐখোয়না হায়বদি করিসু তবীপোৎ নত্তে।

লুরিবদি অসিগুম্বা ফত্তবা পোৎলমশিং অসিবু ফাগৎপগী পাউদি য়াম্না তাঙনা তাই। লোয়ননা চাউর-চাউরবা শেল চাউনা চাউনা মনা পীরিবা চেম্পিয়নশিপ কয়া অমা দোপিং টেষ্ট তৌদনা চথরিবা অসিসু মরাল লৈ। অদুগা, অসিগুম্বা চেম্পিয়নশিপ কয়াবু পায়বিরিবা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা শান্ন-খোৎনবগী চুপলি পায়রিবা মকোক ময়ামসিনা থিংনবা হোৎনদবসিনা মখোয়গীসু য়াম্না চাউবা মরাল লৈ। মখোয়শিং অসিদি শান্নরোয়শিংগী তশেংনা খনবদি অমত্তা য়াওদে। শেল তাল্লগা লোইরে, ফম পায়রগা লোইরে। অসুম্না অসিগুম্বা চাহৈদবা চিঞ্জাক কয়া শীজিন্নদুনা চৎলিবা শান্নরোয় কয়া অসিগী ৱাখল্লোনসিসু মমিং চৎলগা লোইরে, টাইটল লৌরগা লোইরে, থবক ফংলগা লোইরে হায়না ঙাইহাক্কী ওইনা খনবনা অয়াম্বনি। মদুনা মরম ওইদুনা মখোয় মখোয়গী হকচাংবুদি মীরাইবিরে। অদুবু মশা মউ ফনা হিংবা ঙমদ্রবদি অতৈদি অরেম্বনি, কান্নদবনা অয়াম্বনি হায়না থমজগে ঐহাক্কী ওইনদি। মখোয়সু মশা শোক্ত্রিঙৈ, কল্লিঙৈদদি চাহৈদবা পোৎলমশিং অসিনা পীরিবা অৱাবা চৈথেং কয়াদুদি খঙবা ঙমদে, খঙনবসু হোৎনদে অয়াম্বনা। অতোপ্পা ময়াম অমসু শীজিন্নৈ হায়দুনা অদুম মতুং ইন্নৈ, শীজিন্নৈ। অদুবু নোংমদি মদুগী মহয় শোয়দনা ফংলক্কনি। ঐনা তৌবনা ঐনা ফংই হায়বদুনি। হকচাং ফবদগী হেন্না ফবা লনবু লৈরিব্রা?

হৌজিক্কী মতমদা বোদিবিল্ডিং অমদি ফিটনেসকী হীরমসিদা কনাগুম্বা এসোসিএসন নৎত্রগা ফেদরেসন অমত্তনা আই এন বি এ/পি এন বি এনা লৌরিবা থৌদাংসি লৌবা য়াওদে। মখোয়না দোপিং টেষ্ট তৌবসি মমিংতগী তৌবা য়াদবগী তৌবনি। আই এন বি এ/পি এন বি এনা ঙসি ফাওবদা কুমজা ১৯৮৮দগী হৌদুনা দোপিং টেষ্টপু য়াম্না লুনা লৌদুনা দব্লিয়ু এ দি এগী চৎন-কাঙলোনগী মখাদা দোপিং টেষ্ট চথরক্লি লেপ্পা লৈতনা, চহী খুদিংগী দোপিং টেষ্টতা শান্নরোয় কয়া ফাদুনা মখোয়গী মমিং-মথা "Hall of Shame" দা হাপ্তুনা মালেমদা দ্রগ চাবসি হকচাংদা ফত্তে, লাল্লি, দ্রগ চাবশিং ঐখোয়গী নেচরেল চেম্পিয়নশিপশিংদা লাক্লবদি নখোয়গী নমিং তুং কোয়না ইকায় ফিরুক খুমদুনা লৈহৌগনি হায়না পাউজেল পীরি লেপ্পা লৈতনা।

লাইবক থীবদি মসি খঙনা খঙনা নৎত্রগা ফাবা ঙল্লোই কায়না খন্দুনা চাহৈদবা পোৎলমশিং অসিবু শীজিন্নবা শান্নরোয় কয়া অমা কন্না নেচরেল ওইনা শান্নজবা শান্নরোয় কয়াগী অৱামনবু মুনবীগে খন্দুনা ঐখোয়গী ইরক্তা তৌশিন্নবা মায়খুম উপ্তুনা লেপ্পা লৈতনা হাইজিল্লক্লি। ঐখোয়সু লেপ্পা লৈতনা মখোয়বু ফাগনি অমদি মখোয়বু উৎথোক্কনি মালেমদা মখোয়গী চুমদবা অমদি শেংদবা লমচৎতুবু। মসি মখোয়বু নুংশিদনবা তৌবদি নত্তে, নেচরেল ওইনা লৈজবা শান্নজবা শান্নরোয়শিং অসিবু ঙাকথোক্লবা তৌদ-য়াদ্রবা থৌদাং অমা লৌজবনি।

লোইশিল্লকপদা হায়জনীংবদি, ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এসোসিএসন/প্রোফেসনেল নেচরেল বোদিবিল্ডিং হায়রিবা এসোসিএসন অসি খ্বাইদগী থাজনীংঙাই ওইরবা, খ্বাইদগী চাউবা, খ্বাইদগী চেম্পিয়নশিপ মশীং য়াম্না লৈবা নেচরেল এসোসিএসন অমনি। করিগুম্বা শোম্না নেচরেল ওইনা, হকচাং ফন্না, নাদ-য়েক্তনা, তুং কোইনা, পুন্সি শাংনা, নুংঙাইনা অমদি তোঙান তোঙানবা টাইটল কয়া লৌবিগে হায়না খল্লবদি আই এন বি এ/পি এন বি এনা অদোমগী নীংবা থুংহনবা শোয়দনা ঙমগনি। আই এন বি এ/পি এন বি এনা চঙশিল্লিবা শান্নরোয়শিংবু নেচরেল ওইনা থন্বীদুনা, মায়কৈ চুম্বীদুনা, মশা মউ ফন্না থমদুনা অফবা খুন্নাই অমা, মালেম অমা শেমগৎপদা লৌজরিবা থৌদাং অসিদা অদোমসু শরুক য়াবিয়ু হায়না নোল্লুকচনা পাউদমজরি। লোয়ননা য়েংসি মে ২৭তা, সাউথ কোরিয়াগী সিওল সিটিদা পাঙথোকখিবা 'অনীশুবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ' তা শান্নরোয় ৯ অসিগী মনুংদা করম্বনা শেংনা ষ্টেরোইদস, হোর্মোন্স অমদি চাহৈদবা চিঞ্জাক চাদনা শেংনা, চুম্না শান্নজবা শান্নরোয়নো নৎত্রগনা করম্বনা শীজিন্নবনো হায়বদু নেচরেল বোদিবিল্ডিং "Hall of Shame" পেজতগী। কনাগুম্বনা Natural Bodybuilding "Hall of Fame" নৎত্রগা "Hall of Shame" লিষ্টতা মমিং য়াওখ্রবা শান্নরোয় অমদি মীওইশিংদু খঙবিনীংলবদি www.naturalbodybuilding.com দা চঙবীদুনা Hall of Fame নৎত্রগা Hall of Shame পেজদা মীৎয়েং তবীবা ফংগনি। ঐহাক্কী ওইনদি ২০১৭গী "Hall of Fame" দা য়াওজরে। য়াইফরে, য়াইফমিন্নরসি!

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৩

১। মণিপুরী মতম ঈশৈগী হৌরকফমদি মণিপুরী ফম্বাক লীলানি। 'জাতি কৌবী শকহেনবী' হায়বা ঈশৈসি ঙসিফাওবা পাম্না শক্লরি।
(ক) ঈশৈ অসি করম্বা ফম্বাক লীলাদা শকখিবগে?
(খ) ঈশৈ ময়েক অসিগী অইবদু কনানো ?

২। "লৈমন চল্লবী লৈরাংগী অৱাবা/খঙবীরোই কনানা, তাবিরোই তাইবঙনা।" ওজা পহাড়ীনা শকখিবনি। শৈরেংবদু কনানো?

৩। "লাইজথক্কী থারিকথা/মালং চীরোল ফংবদা/লৈনা জগোয় শাবদি/থাজ মাবু ঙাইবরা?" ময়েক অসি শৈশকপা কৈশাম জামিনীকান্তগী ময়েকনি। কনানা শকখিবগে?

৪। 'ঙসিদি অশেংবা হায়দোক্লগে' হায়বা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?

৫। 'ঈশৈ পরেং' কৌবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবীদুনা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।